# কাচিং-করাই

- দি এল কবুই -

‘কাচিং-করাই’ হায়রিবা লাই অসি কবুইশিংনা নীংজবা, লাৎচবা মতিক মগুণ য়ান্না লৈবা লাই অমনি হায়না মীতৈশিংনা লৌই অমসুং মণিপুর ষ্টেটনা শকখঙই, রিকগনাইজ তৌই। মসিগী মতিক চারবা খুদম অমা হায়বা তারবদি, মণিপুরদা লৈবা ৱায়েল বিচারগী ‘কোর্ট’ শিংদা শাক্ষিনচিংবা পাউখুম পীবা মতমদা, ৱাশকপগী থৌরমদা কবুই অদু খৃষ্টিয়ান নৎত্রবদি ‘কাচিং-করাই’ পন্দুনা ৱাশকচরি, ঐহাক অচুম্বতা ঙাঙগনি, অরানবা ঙাঙলোই হায়য়ু, হায়না জজশিংনা ৱাশকহল্লি। মসিগী চৎনবী হায়বদি ‘কাচিং-করাই’ কৌবা লাইগী মিং শোন্দুনা কোর্টতা কবুইশিংবু ৱাশকহনবসি হৌজিক ফাওবা চৎনরি। মসিদসু নত্তে, কবুই মচাগী মফমদা মীতৈ মচানা য়ানীংদবা, চিংনবা, থাজদবা ৱাফম থোরকপা মতমদা, কাচিং-করাই পন্দুনা ৱাশকউ হায়বসি চৎনরকই।

অরিবা মতমদগী হৌনা কবুইনা লাৎলিবা লাই অসি য়ূমগী কাচিন-কাদা খুভম থমদুনা লাৎলি হায়দুনা মীতৈশিংনা কাচিন-কাগী লাই হায়না খঙনরম্বদগী ‘কাচিং-করাই’ হায়না কৌনখিবনি। মীতৈশিংনা কৌনরিবা, খঙনরিবা মিং অসিবু কবুইগী অখঙ-অহে, পণ্ডিৎ, মাইবশিংনা লাল্লিসু হায়দে, চুম্মীসু হায়দে। মরম অদুনা কবুইশিংনসু য়ারে, কবুইনা লাৎলিবা লাই অদুবুনি হায়না ইকায়খুম্নরে।

কবুইগী চৎনবী অমা লৈজে। মথক থোংবা অহলগী মিং পন্নদে, মপা-মপুগী মিং পনবসিসু য়াম্না হঙ্গোইনৈ পন্নদে, থৌগল্লোল ব্যবহার খঙদবা মীনি হায়না লৌনৈ। য়াম্না ইকায়নৈ। মতৌ অসুম্না, কবুই মশানা লাৎচরিবা লাই অদুগী মমিং পনবসি হঙ্গোইনৈ পন্নদে, হায়নদে। করিগুম্বা, লাইথৌনচিংবা পাঙথোক্তুনা, থৌনি থৌরম পাঙথোকপা মতমদসু লাই অদুগী অশেংবা মমিং অদু পন্নদে। লাই অদুগী ফমথোন অমদি মতিক-মগুণগী মিংথোল অদু হায়রগা থৌনিজে। মসিনা ওইবা তাই কবুইগী অহল-লমন্না কাচিং-করাই হায়বসি কবুইগী লাইনি হায়বদা য়ারম্মীবসে।

কবুইনা লাৎলিবা লাই অসিদা থৌনি থৌরম্নচিংবা পাঙথোকপা মতমদা লাই অসিগী মমিং য়াম্না লৈজরবসু মাগী মিংথোল তরেৎ খক লৌখৎলগা শীজিন্নে। মদুদি : (১) অপৌ লাগঙ (২) ভমদাই বম্মে (৩) কাইপৌপো (৪) গুরৌমৈপো (৫) দিনলৌমৈপো (৬) কাইখুন কথুই বম্মেপো (৭) মু: পো, মখোয় অসিনি। মসিদা লাই অসিগী মমিং অশেংবদু পন্দে। মমিং অশেংবদি, অহল-লমনশিং, মাইবশিংনা মফম মতমগী মতুংইন্না শীজিন্নে। মথক্তা থমজরিবা মিংশিং অসি মণিপুরী লোলদা চাওরাকপা ৱাহন্থোক থমজরি মদুদি : (১) হে! লাইনিংথৌ (২) ফম্মেন ফম্বা (৩) য়ুম্বরেল (৪) কোনবীবা (৫) তাকপীবা (ওজা গুরু) (৬) য়ূমথোং খুদিং লৈবা (৭) মাইবা অসুম্না শীজিন্নে। মসি কবুই লোলদগী হন্দোকপনিনা চপ-চাবা ৱাহন্থোক্কী মহাও অদুদি ফংবা ঙমদে। মীয়াম খঙনবা থমজবনি, ৱারৌবিরোই।

কবুইনা লাৎলিবা লাই ‘কাচিং করাই’ হায়রগসু খঙনবা অসিগী মতিক-মগুণদি লাই অসিগী মমিংশিং অসিদগী য়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্মী হায়না লৌজে। কবুইশিংনা থাজে, য়ূমগী মপুদি তাইবঙ মী ঐখোয় নতে। য়ূমগী কাচিন-কাদা লাৎলিবা লাই অদুনা য়ূমগী মপুনি হায়না লৌই। মরম অদুনা মাবু ‘কাইপৌপু’ য়ুম্বরেল হায়নসু কৌই। মানা য়ূম অদুগী মীশিংবু নুংঙাই-য়াইফবা পীবা ঙম্মী। ৱাহনবসু ঙম্মী, য়ূমগী অফ-ফত্ত পূম্নমক্কী থৌদাং মানা লৌই। অশিবা কৌবা লাইনা মীদু লৌবা লাকপা মতমদা মাগী অয়াবা লৌগনি। মানা য়াদ্রবদি অশিবা কৌবা লাইনা লৌবা ঙমদে হায়বদি শিহনবা ঙমদে। মসিগী মতিক চারবা খুদম হায়ববু, মোইরাং কংলৈরোলদা থোঙলেননা পুরেম্বগী থৱায়মি নুংগোইবীদা শাইরেন চনখরে। নুমিৎ মঙানিদা পুরেম্বা শিবা তারে। মতম অদুদা কবুই সলাং মাইবনা নুমিৎ হুম্নি শাংদোকহনখি। মতম শাংদোকহনখিবদু কবুই সলাং মাইবনা, কবুইনা লাংলিবা কাচিন-কাগী লাইদা হায়জদুনা মতম শাংদোকহনখিবনি হায়না কবুইশিংনা থাজে। ●

# ‘কুইররোই ইন্দিয়াদসু মিলিটরি লৈঙাক’ - ২

- মোইরাংথেম নবকিশ্বর -

চুম্মী খূৎলায় পায়বা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৈবাক্কী লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা হায়বসি মশানা তৌফম থোকপনি। মন্ত্রি মন্দলশিংগীদি ওর্দর তৌবা অদুখক্তনি। অদুবু সিনিয়র সিটিজনগী চহী তাঙ্কক য়ৌশিল্লক্লবা ঐখোয়না চম্না গাড়ী অমা তোংদুনা য়ূমদগী ওফিস চৎখিবা নৎত্রগা কুম্লকপদা সিফাইশিং অদুনা মখোয়না চ্যেক তৌরম্মীবা মফমদুদা খাম্মুগা হায়রকপদা, হায়ফেৎকা ‘ঐখোয়দি অহলসু ওইরে, ওফিসতগী কুম্লকপনি, ঐখোয়দবু করি চিংনরিবনো?’ হংলুবদা ইরোল তিন্নদবা মীয়ান সিফাইদুদি খরবু ফখ্রে, ইরোল তিন্নবা মীতৈ মচাশিংদুদি - “অহল ঐখোয়না তৌরিবসি দ্যুটিনি, তৌদবা য়াদবগী তৌরিনি’ হায়দুনা খোন্থোকসি ওন্থোক্লা ৱাংখৎখ্রবা, মখূৎতা নোংমৈ অমমম শিন্নরে সিনি খঞ্জরিবা। চিংনবগা কাপথোকপা য়াই সিনি খঞ্জরিবা। মরক্তুদা মীয়ান সিফাইশিং অদুদি ত্রেগরদা মখূৎতু থিংজিল্লগা রেদ্দিনি লৈরিবা কাপকদবগী থৌওংসিবু মীয়ামগী মীহুৎনা লীংবা লৈঙাক অমা লৈবগী লীচৎলা? ঐখোয়মক্লা ফোরেন কন্ত্রিশিংদা চৎলুবা ঙমদ্রবসু ফোরেন কন্ত্রিদা লৈখিবা ইচানা পাউদম্বদা মফমদুদা লৈবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মতম লৈবা খিবিক্তা লৈবাক্তুগী মীয়ামদা অঙম্বা মতেং পাংই। লম্বী চৎপদা লম্বী ককঙাওনবদা লম্বী তাকপীদুনা খুদোংথীদুনা লম্বীদা এক্সিদেন্ট থোকপদা ফাওবা হোস্পিটালদা পুবীদুনা তেংবাঙবগী থবক্তা, খুদিংমক্তা মীয়ামগী য়াইফনবা খনবী হায়।

দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিগী সিটিজেন অমা ওইনা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা থেংনজখিবদদি দেমোক্রেসি হায়বদুদি "Democracy is a system of Government where political power is vested in the people" অমরোমদা অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা অব্রাহ্মন লিনকননা দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক অসুম্না পীবিরম্মী - of the people, by the people, for the people (মীয়ামগী মীয়াম্না মীয়ামগীদমক) শেমজবা লৈঙাক অদু দেমোক্রেসিনি। অদুবু ঐখোয়গী লৈবাকসিদদি কদায় মীয়ামগী মীয়াম্না মীয়ামগীদমক শেমজখিবা লৈঙাক অসিগী মথক্তা পেন্দবা ৱাকৎ খরা থমজদুনা ৱাকৎ মীফম অমা ফমজরুবা নৎত্রগা রেল্লি অমা চৎচরুবদা মোক বোম, রব্বর বুল্লেট অমদি টিয়র গ্যাসনচিংবা কাপশিন্দুনা তানখায়বদা নত্তনা নোংমৈনা ফাওবা দাইরেক্ট কাপশিন্দুনা হাৎপা ফাওবা য়াওরি। ঙরাং নহানতা ত্রোংলাওবীদা কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম কাপশিন্দুনা করিসু খঙজদ্রিবা অঙাং অনী হাৎখিবগী পেঞ্জদ্রবা মীয়াম্না ঈহৌ হৌদুনা সী আর পি এফ কেম্পতা নখোয় লৈনা লৈনা করিগী অসুম্না মীচম হাৎহনবনো হায়দুনা ফোঙদোকচরুবদা খোঙজংলোই অহুম দাইরেক্ট নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি, কয়া অমবুনা অশোক অপন নংহনখি। হন্দক্তা নুমিৎ মঙা-তরানিগী মমাঙদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা নাগা কুকিগী লান মরক্তা এ আরশিং নাগা তাবা এরিয়াদা চংশিনবীরক্কনু, ইন্দিয়া লৈঙাক্কা কুকিগা সূ থম্নরিবনা নখোয়না ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীগনি হায়বদু ঐখোয় থাজবা শুকঙম ঙমদে হায়দুনা লম্বী থৎচরুবদা এ আরশিংনা নাগা নুপীশিংদা শা-ষণদা ফূবগুম ফূথখিবা ময়ামদো মীওইবগী লীচৎলা, মীয়াম্না খনখিবা লৈঙাক অমা লৈবগী লীচৎলা? অসুম্না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা কা হেনবা শক্তি শিন্নথোক্লি মীয়াম্না খনখিবা লৈবাক্কী লুচিংবা খরনা। সিফাইগী মখূৎতা শক্তি লৈখ্রবা খূৎলায় কয়া/মী হাৎপা ঙম্বা এ কে ফোর্টিসভেন, এম সিক্সটিন, স্নাইপর রাইফলস কয়া পায়হন্দুনা শিকার তম্বীরবা হূইগুম মখূৎতা খুর্জি পায়দুনা থৌজিন থৌজিন্দুনা খোঙহল্লি/চীকহল্লি।

করিগুম্বদা পায়রিবা খুর্জিদু থাদোক্তুনা ফ্রিদা থৌজিল্লি। মখোয়না চিকহন্নীংবা মীশকশিংদুদা চীকলু হায়দুনা। অসুম্না শাংলবা চহী কয়া অসি অসাম রাইফলশিংবু নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী ইন্টরনেশনল বাউন্দরি ঙাকপগী নামাদা ঙসি ফাওবা খুর্জি থাদোক্তুনা মনীং তমহল্লি। চানীংবা চাহল্লি, থক্লিংবা থকহল্লি। (ইকায় হঙ্গোয়না হায়রবদা ময়ূমদগী মতু-মচা লংশেক্তুনা লাক্লিবা মখোয়না ময়ূমগী মতু-মচা খুদিংমক কাউথোক্তুনা মফমসিদা লেংদনা লৈবা ঙল্লি। কুকি নুপীশিংনা মখোয়বু মতেং পাংবীরবনি হায়দুনা লৈজবা খুদিংমক মখোয়বু পেন্নবগীদমক কথোক্লিবদুনি। মসি পূম্নমক ঐখোয়না ইতৎ তত্তনা সোশল মীদিয়াগী খূথাংদা উন্নরিবদুনি। হায়নরিবদুনি খ্বাইনা এ আরশিংদি ময়ূমদা ছুটি চৎত্রবসু য়ারে। করিগুম্বদা এ আরশিং নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদগী লৌথোক্লগা অতৈ অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা থারবদি লৈবাক ৱাথোক ওইরকপা য়াই হায়নফাওবা হায়নবা য়াওরক্লে।)

ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লান হৌরিবা মীতৈ অমদি নাগাশিং মূথৎনবা হোৎনবদা কুকিশিংদা তোংশিন্দুনা কুকি খূৎলায় পায়বা টেররিষ্ট খরগা লৌতুনরগা মীতৈ অমদি নাগাশিংগী লালহৌ মূথৎনবা হোৎনরি। মসি তান্নবা হোৎনবদা সিফাইশিংদা কা হেনবা শক্তি পীরি। ঙরাং নহান্তসু সী আর পি এফকী দিরেক্টর জেনরেল অমনা লাউথোকখ্রিবদুনি - মণিপুরদা লৈরিবা সিপোইশিংনা মীচম মরক্তা লৈবা খূৎলায় পায়বা মিসক্রেন্ট খুদিংমক হেক উবগা ন্যুত্রেলাইজ তৌ (হায়বদি হেক উবগা কাপ্পুনা হাৎলু হায়বগুম্বনি)। ঐখোয়দা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অসুক য়াম্না নোংমৈ অমদি নোংমৈ মরূ পীরিবশিং অসি মখোয়শিংদু হাৎননবনি, মদুগী তুংদা থোরক্কদবা খুদিংমক্তুগী থৌদাং অদু মানা পুগনি সিনি। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ৪৪

- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -

ঙসিগী মাইলেং অসিদা মীওইপা হায়বদুনা তৌবদা হৈনদবা, হায়বদা হৈনদবা হায়হৈদবা, য়েংবদা হৈনদবা য়েংহৈদবা অসিনচিংবা হৈনদবা ময়াম অমা, খুদম ওইনা, মীনা মী নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা থৱায় পানবশিংবু হাৎতোকপীরিবা, মীগী মপোৎ-মচৈ হুরাল্লিবা, মুল্লিবা, ওইদ-পাদবা মীনম্বা কয়া ঙাঙদুনা লৈনরিবা, থাবদা লোইবা নাইদবা অসিগুম্বা ফত্তবা ময়াম অমা উনরিবা, থেংনরিবা অমদি তানরিবা অসি মথক্তা পঞ্জখিবা অরানবা অমদি অশোয়বা চৎনাইপী (চৎনবী) ওইবশিং অদুনা ওইহনবনি অমদি থোকহনবনি হায়বসি লোজিকেল্লি চুমগনি খল্লি। হায়রিবা অশোয়বা অমদি অরানবশিং অদু চুমথোকপা হেক ঙমদ্রিবমখৈ মীওইপা হায়বদুনা হৈনদবা ময়াম অদুনা মাইলেং অসিদা হৌজিক হৌজিক থোক্লিবশিং অসিগী মখা তাবা ময়াম অমা অদুম্মক থোকখিগনি খল্লি। অদুগুম্বা অরানবা অশোয়বশিং অদু করম্না চুমথোক্কনি হায়বসি ৱাহং অমনি। ঐগী ওইবা পাউখুম পীজৌ হায়বিরবদি মখাগী অসুম্না ফোঙদোকচবা অসিনা ৱাহংসিগী পাউখুম ওইজগে:-

মথক্তা পঞ্জখিবা তোঙান তোঙানবা হিংলম (হীরম) অমমম অদুদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা চৎনাইপী (চৎনবী) অদুবু শাগৎলিবা লোল অমমম লৈগনি। চৎনাইপী (চৎনবী) অদুবু শাগৎলিবা অমদি পুথোক্লিবা মীশক অদুনা চৎনাইপী (চৎনবী) অদুগী মরমদা ফোঙদোক্লিবা/ইন্টরপ্রিটেশন তৌরিবা অদুগী লোল অদুগা হায়রিবা চৎনাইপী (চৎনবী) মশা অদুদা তশেং তশেংনা য়াওজরিবা লোল অদুগা অনী অদু চাংদম্নবা মতমদা চানবরা চানদবরা নৎত্রগা মান্নবরা মান্নদরা হায়বদু য়েংশিনফম থোকই। লোয়ননা, চৎনাইপী (চৎনবী) মশাগী তশেং তশেংনা পকচনা লৈজবা লোল অদুগী ঈৱাই ঈনিং (ঈৱাই ঈনিল) অদুনা অচৎ-চৎত থৱায় পানপশিংদা মরু ওইনা মী হায়বা কাঙলূপ অদুদা অৱা-অনা, খুদোংচাদবনচিংবা থোকহল্লবদি হায়রিবা ‘চৎনাইপী’ (চৎনবী) অদু লৌথোক্কদবনি, চৎনহল্লোইদবনি। অসুম্না চুমথোকপা য়াগনি খল্লি। শা ওইগেরা, ঙা ওইগেরা, লিন ওইগেরা নৎত্রগা ৱাখলনা শাগৎপা অমা হেক্তা ওইগেরা হায়রিবা অদুগী ময়া কবাক খন্না কাথোক্তুনা পুথোরল্লিবা অয়েকপা নৎত্রগা অশাবা শক্তম অদুগী মরমদা ফোঙদোরল্লিবা/ইন্টরপ্রিটেশন তৌরিবা অদুনা হায়রিবা শক্তম অদুবু পুথোরল্লিবা মীশক অদুগী ওইহৌরগা শক্তম অদুনা ফোঙদোক্লিবদি “ঐগী য়া কাথোক্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা, ঐগী য়ানুংদা অমোৎপা উফুল-ৱাইফুলনচিংবা য়াওবা নুংশিৎ শিৎচিল্লক্লে। হায়রিবা অমোৎপা অদুনা ঐগী আতিনয়াদা (অতিয়াদা) হায়বদি ঐগী কোকনুংগী কাংচিন্দা (কাচিন্দা) ফুলহল্লে, ঐ ৱা ঙাঙবা ঙমদরে, য়া কাথোক্তুনা অচৎ-চত্ত থৱায় পানবশিংবু য়েংজবা খক্তনা ঐগী ইথৌ ওইদুনা লৈরে।

মকোক-মরূ (মাইকোক-মাইলুম) ওইবা মীশক-মীওইশিং অদুগী ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিং অদু মোৎলে, অচুম্বা অমদি অশেংবা হায়বদু খনবা অমদি পাঙথোকপা ঙমদরে, অউবা অখঙবা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোল ওইবশিংগী থোকফম/পুথোকফম ওইনরিবা মফম হায়বদি কোকনুংগী কাংচিন (কাচিন) অদু ফুনজিনখ্রে হায়বদি উখুলনা কুপশিনখ্রে হায়বগী ৱাহন্থোকপু মথক্কী চৎনাইপী শনতম (চৎনবী শক্তম) অদুনা ফোঙদোক্লি। লোয়ননা মখোয় মখোয়গী মখা থাবশিংনবু ওইরো, মথক থোংবশিংনবু ওইরো নৎত্রগা লৈবাক মীয়াম্নবু ওইরো হায়রিবশিং অসিনা ফত্তবা থবকশিং তৌরল্লবসু মকোক মরূ ওইবশিং অদুনা করিমত্তা হায়জবা ঙমদনা ময়া কাথোল্লগা য়েংদুনা লৈরে হায়বগী ৱাহন্থোকপু হায়রিবা চৎনাইপী শনতম (চৎনবী শক্তম) অদুনা ফোঙদোক্লি। অমুকসু, লৈবাক মীয়াম্না অৱা-অনা নংলবা/অৱা-অনা তারবা, খুদম ওইনা (ইলৈপাক অসিগী কন্টেক্সতা), পান্দম অমগী মখাদা লৌতুনবা অমগী মরুমদা (ইন্সাইদ দি স্ক্রিন ওফ কন্সপিরেসি), মীতৈ-মৈতৈ কাঙলূপকী য়ূমশিং উৎ ওনবমখৈ তুম্না মৈ থাদোকপীবা, অফং-অফংবা মীতৈ-মৈতৈ ওইবশিংবু নুপী-অঙাং, অহল-লমননচিংবা খায়বা তৌদনা তমথীনা হাৎতোকপীবা, মদুগী মখা তাথরকপদনা অদুগুম্বা টেররিজমগী থবক থৌরমশিং অদুবু ইরৈপাক অসিগী চীংগী শরুকশিংদা পাঙথোল্লকপা/চথুরকপা মতমদা - মাইলেং (মলেম) অসিদা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎপনি ককাইনা নাপলকাসি তৌজবা তৌইগুম্বসুং বাই-পার্টিগী সিষ্টম অমনা হায়বদি শোয়নাই-তুনাইবা, খোঙতেক-মীৎতাংগা পাঙ্খক ওইবা পোলিটিকেল পার্টি ফাওবা য়াওরবা শিংজু ময়ানগুল্লবা য়াল্লবা পোলিটিকেল পার্টিশিং নত্তবদা শুপ্নগী য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইবা লোয়ননা পোপ্যুলর ওইরবা পোলিটিকেল পার্টি অনীখক্লা ষ্ট্রেট ফাইট তৌনরগা মায় পাল্লকপা পার্টি অদুনা হায়বদি তশেং তশেংনা মশীং য়াল্লবা... ●

# ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট ডে – শাবা হেল্লকপনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন শোকহল্লি –২

- এল সোতিনকুমার -

মল্টিনেস্নেল কের্পোরেসনশিংদা অকনবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী পোথোকশিং হেন্না চৎনহন্নবা হোৎনফম থোকই। অনীশুবা খোঙথাং ওইনদি পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরশিপ হায়বা অনৌবা সিষ্টমগী মখাদা হাংখিবা অনৌ–অনৌবা স্কিমশিং কদায় ফাওবা মহয় য়াল্লে হায়বদু কুপ্পা নৈনবা চঙই। সিষ্টম অসিনা মীচম মীয়ামদা কান্নবা পীরগা শেল হেন্না চৎহনবা ওইরবদি লৈবাক কয়াদা চৎনরিবা মান্নবা সিষ্টমসিগা খেন্নবা লৈরবদি অথুবদা পাউ ফাওনদুনা করম্বা মওংদা খেন্নরিবনো হায়বসিগী মরী মখোঙশিং খঙনবা হোৎনগদবনি। শেল থাদরিবা লন্নাই ইনভেষ্টরশিংসু গ্রিন হাউস গ্যাস থাদোকপা পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরশিপ মখাগী প্রোজেক্টশিংদা শেল থাদরোইদবনি। মসিনা মালেমগী মীয়ান্না শাবা হেল্লকপগী অৱাবা মায়োক্লরিবসিদা অহেনবা শাফু পীগনি। য়ু এন অমসুং ৱর্ল্ড বেঙ্কনা তেংবাঙশেল পীবদা অকক্লবা কাঙলোন অমা শেন্নবা হোৎনগদবনি। হায়বদি থাদখিবা শেনফম অদু লান্না শিজিন্নরল্লবদি মদুগীদমক অকনবা ৱার্নিং পীগদবনি। গ্রিন হাউস গ্যাস থাদোক্লগা অহেনবা শেন্দোং তাল্লিবা মল্টি নেসনল কোর্পোরেশন অমসুং অচৌবা ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্টশিংদগী অহেনবা খাজনা লৌনবা হোৎনবগা লোইননা অহেনবা থাজবগী শেলফমশিং মীয়ামগী অৱাবা তেংবাঙদা শিজিন্নবগী তোখায়বা ফন্দ অমা শেন্নবা হোৎনগদবনি।

ক্লাইমেট চেঞ্জনা লৈবাক কয়াগী ইকনোমিদা অহোংবা লাকহল্লিবসি চাওখৎ মাঙজিল থাখ্রবা অমসুং চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী মল্টি নেসনল কোর্পোরেশন অমসুং ত্রান্সনেস্নেল কোর্পোরেশনশিংননি। মখোয়না শেন্দোং খক্তমক উবদগী নেচরেল রিছোর্সশিং মনিং তম্না লৌথোকপা য়ানবা ফোরেষ্ট প্রোটেক্সন এক্ট অমসুং নেসনল এনভাইরনমেন্টেল লো কয়া শিংনবা অনৌবা আইনশিং পাস তৌনবা হোৎনবা লেপ্তে। এগোনি কেপিটেলিজম খুমাঙ চাওশিল্লিবমখৈ মল্টি নেসনল কোর্পোরেশন কয়াগী মপুশিংনা শেলগী খোং শিজিন্নদুনা লৈঙাক শক্তি পায়রিবা লুচিংবশিংবু মখোয়গী খুদোংচাবশিং লৌনবা হোৎনবনি। অনৌবা খনি নৎত্রগা অনৌবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎনবা চাথোক লৈবা লৌফম কয়া নমদুনা লৌশিনবা থেংনরিবসি চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদনি। মসিনা উমংগী পোথোক্লা মতেং ওইদুনা হিংনবা হোৎনরিবা য়েলহৌমী অমদি লৌউ–শিংউগী মতেংনা হিংনবা হোৎনরিবা লৌমী ইমুং কয়াগী হিংনবা লম্বী থদৎলি। লৌফম মাঙবা হায়বসিনা খুঙ্গং লমগী শেন্থোক লম্বী হত্থহল্লি। অসিগুম্বা উমং কোকথোকপা অমদি অনৌবা খনি কয়া হাংলকপদা মহৌশাগী খোঙচৎতসু অকায়বা পীরকই। মসিনা নোংজু থাদা নোং লিক্লা চুবা অমদি ইকং থোকপা মায়োক্লরকপদগী মহৈ মরোং কয়া মাঙহল্লি। লৈবাক খরদনা নোং কন্না চুবদগী শাফু লৈবা ঈশিং ঈচাও থোকহন্দুনা লোকপা য়ারবা মহৈ মরোং মখল কয়া মাঙহল্লি। অসিগুম্বা থৌওংশিংনা খুঙ্গং লমগী শেন্মীৎলোন শোকহনবগা ইরোয়ননা লৈবাক অদুগী ইকনোমিক গ্রোথ ময়েং তাহল্লি।

ক্লাইমেট চেঞ্জনা ইকনোমিক গ্রোথতা শোকহনবগী মরমশিং থিজিল্লিবা মমিং লৈরবা ইকনোমিষ্ট নোবেল লোরেট ৱিল্লিয়ম নোরদাউন অমসুং মহাক্কী খূৎপুনা হৌখিবা চহি ২০ গী মমাঙদগী উবা ফংলকখিবা অইং –অশাগী খল কায়রকপা অমসুং শাবা হেঙ্গৎলকখিবদগী থোকহনখিবা চাওখৎপা ৱাৎলিবা অমসুং চাওখৎ মাঙজিল থাখ্রবা লৈবাক খরগী শেন্মীৎলোন ফিভমশিং হঙ্গৎনা নৈনবদা চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা ইকনোমিক গ্রোথ ৱাংখৎপা থেংনরবসু অসিগুম্বা শাবা হেল্লকপদগী থোরকপা খঙহৌদনা হৌরকপা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমদি উমং কয়া পাক শন্না লাম্মৈ চাল্লকপগী থোকহনখিবা অমাঙ অতাশিং মেনখৎনবা হোৎনবদা অহেনবা শেল কায়থোকপদগী হেঙ্গৎলক্লিবা ইকনোমিক গ্রোথ অদু কান্নদবা হিসাব ওইগনি হায়। চাওখৎ মাঙজিল থারবা লৈবাকশিংনা য়ামদ্রবদা চহি অমদা নুংশিৎতা কার্বোনদাইওক্সাইদ থাদোকপগী চাং চাদা ২০ রোম হন্থহন্নবা হোৎরবদি ৱার্ল্ড মেটিওরোলোজিষ্ট ওর্গনাইজেশন অমসুং নেসনেল ওসিনিক এন্দ এটমোস্পিয়র এদসিলেটসন্না পারিবা শাবগী চাং য়ামদ্রবদা সেন্ত্রিগ্রেদ ১৫০ রোম হন্থহনবা ঙমগনি। ৱাফম অসি থওইদনা কেপিটেলিষ্ট ইকনোমিষ্ট খরনা শাবা হেল্লকপনা লৈবাক্কী ইকনোমিক গ্রোথ ৱাংহল্লি হায়নরিবসি মওং মরিল তাদবা অন্ধ নৈনবদগীনি। শাবা হেল্লকপনা এয়র কুল্লর, এয়ার কন্দিসনর অমসুং রুম টেম্পেরেচরগী চাংদা থম্বা ঙম্বা অনৌবা মখলগী মেছিন্নরিশিং য়োনবদা অহেনবা শেন্দোং ফংলগসু লৈবাক অদুগী মীওই সেক্সন খরনা মায়োক্লরিবা ইকংগী অৱাবা, ঈশিং ফংদবগী অৱাবা, অমদি লায়না মখল কয়ানা মীওই কয়াগী তেংবাঙ শেল কায়থোকপদা অহেনবা শেল চৎহল্লি হায়বসি মখোয়না উবা ঙমদ্রি। নিংশিংবা য়াবদি, কুমজা ২০১৮ দা য়ু এসতা থোকখিবা হরিকেল ক্লোরেন্স, কালিফোর্নিয়াগী পাক শন্না লাম্মৈ চাকপা অমদি মতম চাদনা উনগী নুংশিৎ মায়োক্লবদা অৱাবা নংলবশিংগী তেংবাংনবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী ইকনোমিক গ্রোথ চাদা ১০ গী চাংদা হন্থখি। চাওখৎ মাঙজিল থাবদা নত্তনা মালেমদা শক্তি লৈরবা অথোইবা লৈবাক ওইবদগী চহি মরি খুদিংগী য়ু এস কোংগ্রেস মখাদা লৈবা নেস্নেল এসেসমেন্টনা ক্লাইমেট চেঞ্জনা অমাঙ অতা থোকহনবদা মাঙখিবা হায়বদি তঙাইফদনা কায়থোকখিবা শেলফমগী হিসাব পুথোক্তুনা লাকখি। হরিকেন, টাইফুন অমসুং ৱাইল ফায়র তোয়না মায়োক্লখিবা খা নোংচুপ থংবা য়ু এসকী ষ্টেটশিংদা ২০১৮ দা চাওরাক্লা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ২৫৫ রোম কায়থোকখি। গ্রিন হাউস গ্যাস থাদোকপগী চাং হন্থহন্নবা পেরেসি ক্লাইমেট সবমিটতা তাখিবা ৱারেপ থৌওইখিদবগী য়ু এসনা অসিগুম্বা চাওরবা শেলফম অসি নুংশিৎতা কার্বোনদাইওক্সাইদ থাদোকপগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনবদগী অরেম্বদা মাঙহল্লি।

ক্লাইমেট চেঞ্জনা মীচম মীয়ামগী শেন্থোক লম্বী শোকহল্লি অমসুং অরুবা লায়না কয়ানা নাহনবদগী মীচম মীয়ামগী শেন্থোক লম্বী হন্থহল্লকই হায়বসিগী মরমদা থিজিল্লিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ষ্টেন্দফোর্দ অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়াগী প্রোঃ মাহেলি ব্র্যুরিসু অমসুং প্রো. এদৱার্দ মিগুরেসনা শাবা হেল্লকপা মতমগী মেক্রোইবানোমিক গ্রোথ মনিং হন্থহল্লকই হায়না ২০১৬ কী নবেম্বর ১৬ তা দি নেচর হায়বা চেফোঙদা ফোঙদোকখিবা লৈখি। ইকনোমিষ্ট অনীসিগী মতুং ইন্না ২১ শুবা চহিচাসিদনা লেপ্তনা শাবা হেল্লকখিবা মরম্না মালেমগী লৈবাকশিংদা মেক্রোইবানোমিকতা চাওরবা শাফু পীরকপদগী লায়রবা অমসুং ইনাক খুনবা অনীগী মরী লাপথোকহল্লকপা অসিগুম্বা লায়রবা লৈবাকশিংদা শেন্থোক লম্বী হন্থরক্কনি। মবানিনা মখা তানা হায়রি, মদুদি শাবা হেল্লকপনা চাওখৎলবা অমসুং চাওখৎলক্লিবা লৈবাক খরগী এগ্রিকলচরেল প্রদক্ট চাং হন্থরকপগা ইরোয়ননা রুরেল ইকনোমি চাওনা শোকহনগনি। এগ্রিকলচরেল সেক্টরগী পোথোক অয়াম্বগী মতেংনা লৈবাক কয়াগী ইকনোমিক গ্রোথ ৱাংহনবদা মতেং পাংলি হায়বসি মালেমগী মমিং লৈরবা ইকনোমিষ্ট কয়াগী থাজবনি। মরম অসিনা শাবা হেল্লকপনা এগ্রিকলচরেল সেক্টর শোকহনবদা নত্তনা শেন্থোক ৱাংবা ইমুং কয়াগী মীওইসু অরুবা মখলগী লায়না মখল কয়ানা নাহল্লকই। লায়েংবদা অহেনবা শেল চৎখিবদগী মিদ্দল ক্লাস অমসুং ইনাক খুনবা ইমুং কয়াসু লায়রবগী পনখৈ মখাগী পুন্সিদা হন্থরকই। মরম অসিদগী শাবা হেল্লকপদা ইনাক খুনবা, মিদ্দল ক্লাস অমদি ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট প্রদক্সন্না কার্বোন্দাইওক্সাইদ থাদোকপগী চাং ৱাংলকপদা মখোয়দা করিসু শোকহনবা লৈতে হায়দুনা পেন্থোক্তুনা লৈফম থোক্তে। শাবা হেল্লকপনা মখোয়দসু নাকোয়নবা চৈথেং পীরকই হায়বদু খঙফম থোকই। শাবা হেল্লকপনা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহন্দে লোয়ননা য়ুমদা য়োকপা য়ুমশাশিংদা নত্তনা লম্লক্কী শা মখল কয়াগী পুন্সি মাঙহল্লি। মসিদসু নত্তনা চাথোক লৈবা লৌফম কয়া লৈকংলা ওইহল্লকই। মসিগুম্বা অমাঙবা কয়াগী নৈনরবা মতুংদা ক্লাইমেট চেঞ্জনা ইকনোমিদা অকায়বা পীরকই হায়না ইকনোমিষ্ট কয়ানা ফোংদোক্লরকপনি। ●